HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



জে এ সী এগেনস্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এন রোহিটনা মীয়ামগা লোয়ননা রোহিট মীহাৎকী কেসকী ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোগ্রেস লৈতবনা সী বি আইদা শীন্নৌ হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা

মার্চ ১০দা বি জে পি মাঙখ্রগনি : এন লোকেন
☛ লামায় ২

দি এল এস এ ৩না প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

অহল ওইবসিবু পাপলা
☛ লামায় ৫

‘ব্রিমেন কম্মিসনগী কেসশিংদা অয়েৎপা পীবিগনু’
☛ লামায় ৬

শিজ হোস্পিটালগী শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কমপ্রিহেন্সিব ফ্রী আই চেক-অপ কেম্পতা পেসেন্ট অমবু এগজামিন তৌখিবা



Vol. 45, Issue No. 330 | থাংজ, ফাইরেনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, February 26, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মার্চ ১০দা বি জে পি মাঙখ্রগনি : এন লোকেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিনা ৱাজাউ যাম্না ঙাঙলিবসি মীখল হায়দোকপা নুমীৎ মার্চ ১০দা মণিপুরদগী বি জে পি মাঙখ্রগনি। মসি মখোয়না তৌজরুবগী মহয়নি। কুমজা ২০১৭দা শকখিবা ৱাশকশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদবগা লোয়ননা এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি মীয়ামগী থৌগল তৌবদি লায়রদনা মখোয় মশেল ফাওবা শেন্নজবা ঙমদবা লৈঙাক অমনি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বিষ্ণুপুর এ সীদা আই এন সীগী মীরেপ ওইরিবা নিংথৌজম জয়কুমারগী বিষ্ণুপুর থিয়াম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কন্ফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা এবসুল্যুট মেজোরিটি ফংবদি লায়রদনা শুপ্নগী বি জে পিগী কেন্দিদেট ১১দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ভোট কারকপা য়াই। কুমজা ২০১৭দা বি জে পিনা ভোট কারক্লবদি নহা কয়া থবক পীগনি, থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহনগনি অমদি যূম লৈজদবা মীওইশিংগী যূম শাবিগনি হায়খি। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। যূম খরা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা শারম্বদি য়াই। মদুসু শুপ্নগী শেল পায়বা, শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা মীওইশিংগী ওইনা যূম শারে। লায়রবা জিজ্ঘ ফাওবা লৈবা ঙমদবা মীওইশিংগীদি যূম শাবিবা লৈত্রি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মফম খরদা বি জে পিনা যূম শাবিরগনি তৌবতবু যূম মপু-মপুনা হান্না শেল পুথোকচদুনা শাবা হৌবিরো মদুগী মতুংদা একাউন্টদা শেল হাপ্পক্কনি হায়বদগী শেল লৈজদ্রবা যূম্বুশিং অদুনা মীঙোন্দগী শেল পুশিন্দুনা যূম শাবা হৌরবা মতুংদা শুপ্নগী লুপা লিশিং ৪০ খক হাপ্লকখ্রগা তোকখিবনা যূম্বুশিংনা ঙসিসু শেন্দোই পুরগা ৱানা হীংনরি। মসি পূম্নমক অসিগী মহয় শোয়দনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ফংলগনি হায়খি।

## মণিপুরগী লৈমায়দা বি জে পি অমুক হন্না লাকহল্লগুমসি : ইবোবী



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি অমম্বা মরক্তা লৈবা, নম্ফু হাফুগী লৈঙাকনি। অসিগুম্বা লৈঙাক অমুক হন্না মণিপুরগী লৈমায়দা লাকহল্লগুমসি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কক্চীং এ সীগী সোরা খুঙ্গংদা এ সী অসিগী আই এন সীগী মীরেপ কে এস ঐচ কেনেদিগী ইলেক্সন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা নোংমগী ইন্টলেকচুএল প্রোগ্রাম অমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, বিষ্ণুপুর এ সী অসি চহী ৩৫ হেন্না য়াম্না ৱাদুনা হীংদুনা লাক্লে। মসি মীয়াম্না অফবা কেন্দিদেটতা ভোট থাদহৌদবদগী থোক্লপনি। মরম অদুনা হৌখিবনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদদি মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা অফ-ফত্তা তাথোক-তাশিন য়াগদবা নিংথৌজম জয়কুমারদা মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ভোট অদু পীবিয়ু। ভোটতা কনানা কাহনশিগে হায়বসি মীয়ামগী খুৎতা লৈবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লায়রবা মীয়ামগীদমক মপান লমদা লৈরিবা ব্লেক মনি পুরক্কুনা লুপা লাক্ষ ১৫/১৫ পীগনি অমদি চহী অমদা মীওই ক্রোর ২/২ থবক পীগনি হায়খিবদু কদাইদা চৎখ্রবগে। শুপ্নগী মীয়ামদা ওইদ-পাদবা ৱাফম কয়া ঙাঙশিন-শকচিন্দুনা ভোট কানবা হোৎনখিবা থৌওং অমনি। মদু পূম্নমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লোয়না খঙনরিবা ৱাফম ঙাক্তনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্বা অদু ঙসি বি জে পিনা লৈঙাক পায়খিবদগী মনিং হনবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা পোলিটিসিয়ানশিংনা মশা-মশাগী কান্নবতা য়েংনদুনা থবক তৌবদগী লৈবাক অসিগী ফীভম অসি য়ৌনা শোথরকখিবনি। লৈবাক মীয়ামগী ওইজরম্বা প্রোপর্টি খুদিংমক প্রাইভেটাইজেসন তৌথোকখিদুনা ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা অম্বানি-অদাগী প্রোপর্টি হায়বদু ওইখ্রে। বি জে পিনা তত্তনা কোভিদকী মতমদা লাউরিবা বি জে পিনা কোভিদ-১৯গী ৱারবা মতমদা লেন্না চেং অমদি লেন্না ভেক্সিন পী হায়রিবসি বি জে পিগী কদাইদগী শেনফমনা পীরিবনো ? মসিদি মীয়ামদগী খোমগৎখিবা শেনফমশিং অদুদগী লৌথোক্লগা থাদরকপা ঙাক্তনি। করিগুম্বা লৈবাক অসি শেঞ্জাউ পায়বশিংদগী কলহৌসি হায়রবদি লৈবাক অসিদা বি জে পিবু অমুক হন্না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হুইয়েন ফীচাং … / মরোল থোকপা লাই




# প্রি-পোল ভাইওলেন্সতা গাড়ী ২৫ রোম থুগাইখ্রে, অশোক অপন য়াওখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল এ সীগী খারৌ খুলেন্দা মীখলগা মরী লৈননা এন পি এফ শৌগৎপশিংগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ শৌগৎপশিংগা চাউনা খৎন-চৈনবা থোরকপদগী গাড়ী ২৫ রোম থুগাইখিবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্তা অশোক অপন য়াওনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা তনতঙ্গা কোনহাই মোসিলফাগী মীটিং অমা তেংনৌপল পি এসকী মনুং চনবা খারৌ খুলেন্দা পাঙথোক্লবা শেম শাখি। মফমদুদা এন পি এফ শৌগৎপশিংনা লাক্তুনা মীটিং অদু পাঙথোকপা য়ারোই হায়রকখি হায়রি।

মরিং কাঙলূপকী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা পূন্না লৌমিন্নখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না এন পি এফকী টিকেট ফংলকপা মরক্তা মরিং ফুরুপকী মীরেপশিংনা পূন্না শৌগৎমিন্নখিবা ৱাফম ঙাক্তনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অসিনা মরিং কাঙলূপকী মায়োক্তা থবক চথরকপা য়ারোই

### বন্দ/ব্লোকেদ মশক উহন্দনা চাওখৎহনগে হায়রবদি লৈঙাক্তা এন পি এফ য়াওহনগদবনি ঃ অৱাংবৌ



হায়না অথিংবা পীননবা হোৎনরকখিবনি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা নাকল অনীগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ৪৩শুবা আর পি এফকী ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): কুমজা ২০২২, ফেব্রুৱারী ২৫ ইরাই নুমিৎতা ৪৩শুবা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী মপোক কুমওন ‘ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে’ গী থৌরম পার্টি অসিগী থৌবুরেল লোয়শঙ, কাউন্সিল হেদ ক্বার্টরস, সেন্ট্রেল ব্যুরো, সেন্ট্রেল ব্যুরোগী দিভিজনশিং, এস আর-১, এস আর - ২, এস আর -৩, এস আর - ৪, পিপল লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী জেনরেল হেদ ক্বার্টরস, টেক্টিকেল কম্মান্দ, ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দ, ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন অমদি অতে পি এল এগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসনশিংনা লৈবা মফম খুদিংমক্তা হন্দক চহী ২০২২গী ওইনা মালেমগী মফম খুদিংদা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ইচম চম্না পাঙথোকমিন্নখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি আর পি এফকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমনগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, আর পি এফকী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈবা দিভিজন ২, ৪, ৬, ৮ অমদি ১০গী মফমশিংদা পার্টিগী ৪৩শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফ্লেগ, ফেষ্টুন অমদি ষ্টারনচিংবা থেৎতুনা মফমদুগী মীয়ামগা পূন্না পাঙথোকমিন্নখি। নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি পার্টিগী ফিরালদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা ইকায়খুম্নজরবা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# বি জে পিদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা পার্টিনি : এন বিরেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৫ (ঐচ এন এস) : বি জে পিদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা পার্টিনি, ঙমগদবা থবক্তা ঙমগনি অদুগা ঙল্লোইদবা থবক্তনা ঙল্লোই হায়গনি। বি জে পিনা মীয়ামগীদমক তৌগনি হায়না ৱাশক্লবশিং অদু শুংশোয় শোয়দনা তৌরগদবনি। মীয়াম্না পার্টি অসিগী মীরেপশিং মায় পাকহনবীদুনা বি জে পিনা মীয়ামগীদমক পায়খৎনীংলিবা থবকশিং মায় পাক্না পায়খৎহনবদা মতেং পাংবীয়ু।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এম এল এ পাউনম ব্রোজেনগী ইলেক্সন কেম্প্যেন মীটিং (পোলিটিকেল কনফরেন্স) পাঙথোক্লদুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ৪০গী মথক্তা ফংদুনা বি জে পি খক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা শেমগনি। বি জে পিগী লৈঙাক লাকপা মতমদা হৌজিক অহলশিংগী পেন্সন লুপা ২০০/২০০ পীরিবসি লুপা লিশীং ১/১দা হেনগৎকনি। চহী অমদা গ্যাস সিলিন্দর ২/২ লেন্না পীগনি। মীয়াম্না বি জে পিদা মখা তানা সপোর্ট তৌবীয়ু অমসুং পার্টিগী মীরেপশিং মায় পাকহনবীরকউ হায়খি।

ঙসিদগীনা চহী ২০/৩০ রোমগী মমাঙদা লমদমসিগী মীয়ামদা ফাওরম্বা অকি তুজুংবা কয়া, নুপী অঙাং কয়া তুম্ফম চাফম খঙলমদবা, অহিং ওইরকপগা ইমা ইবেলশিংনা খুতি পোষ্ট খিংদুনা ইচা ইশুশিং অমদি মপুরোইববু সিক্যুরিটিনা ফাবি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মীয়াম্না অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদবীয়ু ঃ লা গনেসন



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী মাঙওইননা গভর্ণর লা গনেসননা মণিপুরগী মীয়ামদা মখোয়দা পীরিবা দেমোক্রেটিক ফ্রেঞ্চাইজ অদু শীজিন্নদুনা চহী ৫গী লাইবক লেপকদৌরিবনা অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদবীয়ু হায়দুনা পুকচেল শেংনা আপীল তৌজরি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি রাজ ভবনদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি। গভর্ণরগী চেরোল অসিদা চীং অমসুং তমগী মরী লৈনরিবা পূম্নমক্তা মখল অমত্তগী ভাইওলেন্ট এক্টিভিটিশিং থোকহন্দনা মীয়াম্বু ভোট থাদবা ফংহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

HL-B/7467/15 Feb to 16 March.







গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Electiongi asin arang touribasingna muscle amasung money power soidana thingba ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covidki laichattagi ngakthoknaba hotnariba contractual staffsinggi awamal matik chana pidribasi chumbra?

Yes 25% No 75%

## বোর্দর সিল তৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২৮ অমসুং মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজগী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ য়াওনা মথং থাগী ১০দা ভোট মশীং থিগদবগী মাঙওইননা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না ঙসিদগী মণিপুরগী ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট, ইন্টর-ষ্টেট অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দরশিং মথং থাগী ১০ ফাওবা সিল তৌখ্রে। মসিগী মতাংদা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) না ওর্দর অমা থোকখ্রে। অথিংবসি এন্টি সোসলনচিংবশিং চঙলকপা থিংদুনা মীখলদা য়ৈখাই থিনগাইবা থোকহন্দনবনি হায়রি।

HL-B/1813/24,25,26